ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, দিসেম্বর ০৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৪৮শুবা মশীং

# নাগাগী ৱারোইশিন অমসুং সী এ বি

## ৱাথোক অমগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা অতোপ্পা ৱাথোক অমা

নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর য়াওনা যূমলোন্নরিবা ষ্টেট খরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈদা অকায়বা থোকহল্লক্কদ্রা হায়বগী মিপাইবা পোক্লরিঙৈগী চৈরক্তা হৌজিক চথরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি) শোয়দনা পাস তৌরগনি হায়বা ৱাফম অমা অমুক থোরক্লে। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা সেন্টরগী নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ) লৈঙাক্না মমাঙদা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক চথরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা সী এ বি পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। হৌখিবা যূমশকৈশা নুমীৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম্না সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা নিংথম মীফমদা পাস তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়রি। যূমশকৈশা নুমীৎতা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম লোইরবা মতুংদা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর প্রকাশ জাবেদকরনা হায়খি, সিটিজনশিপ এক্ট ১৯৫৫ শেমদোক্লগা পাকিষ্টান, অফঘানিষ্টান অমসুং বাংলাদেশতগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা হিন্দু, সিখ, জেন, পার্সি, বুধিষ্ট অমদি খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবা বিল শোয়দনা পাস তৌরগনি। অমরোমদা বি জে পিগী পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি মদুদি যূমলোন্নরিবা লৈবাকশিংদা মীওৎ-মীনৈগী চৈনা খাঙলিবা মীশীং য়ামজদবা কাঙলূপকী মীওইশিংবু লৈবাক অসিদা চঙজফম পীনবগী পান্দমদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো) অমদি ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু)নচিংবা লূপ কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে। মণিপুরদসু মেনপেকনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়ানা লৈরে। হীরম অসিগী মতাংদা মেনপেকনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীয়ামগী খোল্লাউ থৌশাদবা মওংদা করিগুম্বা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সী এ বি পাস তৌনবা হোৎনরক্লবদি অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা খ্বাইদগী কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে। হৌখিবা দিসেম্বর ৩ অমসুং ৪গী লোন্নবা অহিংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনদুনা ৱারী শানবদা মীয়ামগী ফিরেপ ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে হায়না পল্লদুনা মেনপেককী চেরোল অদুনা হায়, সী এ বি পাস তৌরকপা থোক্লবদি মণিপুর য়াওনা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট পূম্নমক্তা মীয়ামগী অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে।

অসামদদি পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রবনি। হৌখিবা জান্যুৱারী ৮দা লোক সভানা পাস তৌখ্রগা রাজ্য সভাদা পুথোকপা ঙমখিদ্রবা বিল অসি অমুক হন্না পাস তৌগদৌরে হায়বা তাবদগী অসোম জাতিয়াবাদি যুব ছাত্র পরিষদ (এ জে ৱাই সী পি)না মফম কয়াদা রেলি চৎখিবগা লোয়ননা সিট-ইন-প্রোটেষ্ট পাঙথোকখি। সী এ বিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবা কৃষক মুক্তি সংগ্রম পরিষদ (কে এম এস পি)কী লুচিংবা অখিল গোগোইনা হায়খি, পার্লিয়ামেন্টনা করিগুম্বা সী এ বি পাস তৌদুনা এক্ট ওল্লকপা তারবদি বাংলাদেশি ক্রোর ১.৯ লোম চঙলক্তুনা অসামগী মীশীং অঙকপা ফংনা হেনগৎলক্লগনি। সেন্টরনা অখন্নবা লাইনীংদা যূম্ফম ওইরগা কাঙলূপ নাইবা থৌরাং লৌখৎলকপদা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই হায়না পল্লদুনা ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু)গী চীফ এদভাইজর ডা. সমুজাল ভট্টচার্য্যানা হায়খি, য়েলহৌমীশিংদা অচৌবা চৈথেং পীগদৌরিবা থৌরাং অসিগী মায়োক্তা অৱাং-নোংপোক্কী চীফ মিনিষ্টর পূম্নমক্না খোঞ্জেল অমত্তা ওইনা লাউমিন্নবা মতম ওইরে। তুংগী মীরোল কন্নবগী পান্দমদা অৱাং-নোংপোক্কী চীফ মিনিষ্টর পূম্নমক্না সেন্ট্রেল লীদরশিংগী য়াকা য়েংদুনা লৈবগী মহুৎতা থৌনা ফনা সী এ বিগী মায়োক্তা লেপকদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলুরগদি নবেম্বর ১৮দগী হৌরগা দিসেম্বর ১৩ ফাওবা চথুগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা সী এ বি পাস তৌখিবা য়ানা লৈরে। হান্নদগী চৎনদুনা লাক্লিবা সিটিজনশিপ এক্ট ১৯৫৫ গী মতুংইন্না মরী লৈনবা পাসপোর্ট অমদি ভিজা য়াওদনা চঙলকপা মপান লৈবাক্কী মীওইশিংবু ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট ওইনা লৌরি। মথৌ তাবা চে-চাং পায়রগা চঙলকপা তারবসু অপীবা মতমদগী হেন্না শাংথনা লৈবা তারবদি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট ওইনা লৌরি। হায়রিবা মীওইশিং অদু 'দি ফোরেনরস এক্ট ১৯৪৬' অমসুং 'দি পাসপোর্ট (এন্ট্রি ইন্টু ইন্দিয়া) এক্ট ১৯২০গী মখাদা ফারগা জেলদা থম্বা নৎত্রগা নমদুনা মরৈবাক্তা হলহনবা য়াই। অদুবু কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১গী মমাঙদা অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমদি পাকিষ্টানদগী ইন্দিয়াদা চঙলকখিবা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেন, পার্সি অমদি খৃষ্টিয়নশিং ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট ওইনা লৌররোই হায়না লাউথোকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদু ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবগী পান্দমদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না কুমজা ২০১৬কী জুলাই ১৯দা সী এ বি পুথোক্তুনা পাস তৌনবা হোৎনখি। কুমজা ২০১৬কী ওগষ্ট ১২দা বিল অদু জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি (জে পি সী) অমদা রিফর তৌবদগী হৌখিবা জান্যুৱারী ৭তা কম্মিটিনা রিপোর্ট পীখৎলক্লগা থংনবা নুমীৎ জান্যুৱারী ৮দা লোক সভানা পাস তৌখি। অদুবু রাজ্য সভাদা পুথোকপা ঙমহৌদবনা বিল অদু লান্স ওইখিবনি। হৌজিক চথরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদদি বিল অসি শোয়দনা পাস তৌখিবা য়ানা লৈরে। নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিনগা মরী লৈননা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ হৌরিঙৈগী চৈরক্তা সী এ বিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা ৱাথোক অমা অমুক থোকহল্লকপা য়াই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### চোইজাইনবা ৱাখলদগী কনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

হৌজিক্তা ইচা-ইশু ফাওবা ঙাঙন-শক্লবা য়ানদ্রবা মতম অসিদা মীগী মচা-মশুবু ইচাদৌনা করম্না ঙাঙলু-শক্লুগনি। মখোয় মখোয়গী নীংজবা, পামজবদা ফৈ-ফত্তে তৌরুনু হায়রুবা য়াবা নত্তে। অহল অমনা চৈরি-ঙাঙলি হায়দুনা অহলগী ৱাগা লৌবীগদৌবা থায়নগী মতম অদু নৎত্রবনিনা অফবা ওইরো, ফত্তবা ওইরো মখোয়গী মতৌদু য়েংদুনা অসুম লৈবা তারকপনি। অদুনা মতমসিগী চৎন-লোনচৎকী হৌনবী ওইনা নুপী-নুপা, অহল-নহা খায়দনা পোৎ চৈ, চান-থক্লবা, শেৎন-ইন্নবা য়োল্লি হেক তাবদা অনৌবনিবু হায়রবদি মফম অদুদা ইশানা চৎতুনা য়েংনীংবা, লৈনীংবগী হৈনবী অমা ওইনা তৌনরি। অদুগা য়োল্লিবা পোৎশিংদু ফৈ-ফত্তে খঙনদে, মমল য়াম্মী-য়ামদে ঙাঙনদে, য়োল্লিবা পোৎতুগা মমলগা চানবা-চানদবা থিনদনা হোৎচিন্দুনা লৈনবা কয়ানি। অদুগা নাকল অমরোমদনা অনৌবা উবা য়ানদবগী মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি হন্দক্তা ইম্ফাল সহর ময়োন্দা নৌনা ফুট ওভর ব্রিজ শারিবা অসিসু অমনি হায়জনীংই।

লৈঙাক মপুনা মথৌ মঙম পাংদ্রিঙৈ, শঙ্গাদ্রিঙৈ মীয়ামদা শিন্নদ্রিঙৈ থোং অসিগী অনৌবা মহাও তংনীংবা, কাদুনা চৎনীংবা মীওই কয়ানা থোংসি লান্নবা য়াওদবা নত্তে। শঙ্গাদ্রিঙৈ লান্নরবা থোং ওইরবনিনা অমনবা থোং ওন্দৌরে হায়বদা লাল্লোইদ্রা খল্লি। অদুগা থোং অসিগী মথক্তা খোঙনা চৎপনা লন্বী মখাদা চৎলিবা মীয়ামদা অমোৎ-অকায় তারক্তনবা চেকশনবা অমদি মথৌ তাব্রা হায়না খঞ্জে। ইনখৎলক্লিবা নহারোলগী চোইজাইনরবা ৱাখল কয়ানা কংলা ফুট পাথতা চৎপা, ফম্নবা থারিবা সিটতা ফম্বা মতমদা চাবা থকপগী অমোৎ-অকায়, চুরুট-বিড়ি মতেক, খৈনি মকু থাদরম্বগুম্না থোং অসিদা লান্দুনা ফম্ফম, শান্নফম ওইরকপা অসিনা চাবা থকপগী মকুম মরাং কয়া থাদরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। থাদবসু থেংনরে, অদুনা মথক্তগী মখাদা অমোৎপা তারকপদা মখাদা চৎলিবা মী অমদি গাড়ী কয়াগী মথক্তা তারক্লোই হায়নীংঙাইসু লৈতে।

থোং অসিবু লান্দুনা চৎলিবা মীওইশিংনসু মখাদা মী চৎলি হায়বসু নীংশিংলল্লোই। অসিগুম্বসিনা থোংদা অমোৎপা তারগসু মখাদা তারক্তনবা থোং অসিগী ফীভম নাকল য়েৎ-ওই অনীদা ইশিৎপগী পন থিংবগুম খাবীদুনা ফত্তবা তারক্তনবা য়েংশিনবীহৌদ্রবদি অনানবা ফম্বাকনিনা মথক্তগী মখাদা শোয়দনা অমোৎপা তারক্কনি খল্লি। অদুনা মরী লৈনবশিংনা ৱাখল অমুক্তং তৌহঞ্জনীংই। থোং অসিবু লানবীরিবা ময়াম্নসু ফুট ওভর ব্রিজ থোং অসি লূ-নান্না থমসি, ফজহনসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা থোংসি লানবীবদা মথকনিকো হায়বা ৱাখল খজিক খন্থবীরবা মখাদা ফত্তবা তাখিবা য়াই কাউবীদবা, অচা-অথক, চুরুট-বিড়ি থক্তুনা লানবীদবা, অচাপোৎ চারগা থাদবীরমদবা, পূম্নমকসি ইশা-ইশানা ৱাখল খন্থবীরগা ঐখোয়না লন্বী লাম্থোকপগী অৱাবদৈ কোক্লনবা হায়দুনা লৈঙাক্না শেন্বী-শাবীবনি, ইপোৎনি খন্না লূ-নান্না শীজিন্নরবা, ফজবা কয়াগী মনুং চন, ফত্তবা থোকপা য়াবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি থাজে। অদুগা নুপামচা-নুপীমচা কয়াগী ৱাখলদি অফ-ফত্ত খল্লোই অদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু থোং মথক্তগী মখাদা ফত্তবা তারক্তনবা করি তৌবীবা য়াবগে হায়বা অমুক্তং য়েংবীদুনা নহাশিংগী চোইজাইনবা ৱাখলদগী কনবীয়ু হায়জনীংই। অদুগা ফজবা ফুট ওভর ব্রিজ অমা ওইহনবা হায়বসিসু লৈঙাক্তা ঙাইবগী মহুত্তা মীচম মীয়াম ঐখোয়নসু ইশাগী ইথৌনি খন্দুনা লূ-নানবদা মতেং পাংমিন্নরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

# ফেমিলি পোলিটিক্সতা মচিন-মনাওনা প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টর

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

যূমলোন্নরিবা লৈবাক শ্রী লঙ্কাগী লৈঙাকসু নুংঙাইবা তাঙ্কক অমদা য়ৌরে। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতোল লোম্বা লৈঙাক্কী ফম অনী প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টর হেক পোকমিন্নবা মচিন-মনাওনা ওইরে। লৈঙাক্লোনগী পুৱারীদা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমনি। শুকথোকপু থোক্লমদবসু য়াই। মহিন্দা রাজপক্সানা ময়াম্বনি অদুগা গোটাবয়া রাজপক্সানা মনাওনুপানি। ময়াম্বনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরে অদুগা মনাওনুপানা প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা লৈবা প্রসিদেন্ট ওইরে। পূক্নিং ৱাখল কয়াদা নুংঙাইরমগনি খন্দুনা অমুক্তা য়েংবীয়ু। থবক শূবদসু য়াম্না নুংঙাইরনি। মচিন-মনাওনা পায়খৎনীংবা থবক কয়া লায়না পায়খৎপা ঙল্লনি। অথিংবা কয়া পীবা ঙল্লরোই। ময়াম্বা মহিন্দা রাজপক্সানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবনিনা লৈবাক্কী থবকশিং হকথেংননা তৌগদৌরিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী পৱারদা লৈতবা থবক ওইরগনা প্রসিদেন্টকী অয়াবা লৌগদবনা মসিমসু নুংঙাইরনি করিনা হায়ববু ময়াম্বনা মনাওনুপা প্রসিদেন্টতগী অয়াবা লৌবনি। মচিন-মনাও য়াম্না য়ানরি, পুকচেল খোয়জেল তিন্নরি। লৈবাক্কী, মীয়ামগী নৎত্রগা অনীমক্কী নত্তবা থবক কয়া তৌগে হায়বগীদমক মচিন-মনাও প্রাইম মিনিষ্টর, প্রসিদেন্ট ওইনবা হোৎনরক্লিবনি। ফেমিলি পোলিটিক্স হায়বদুনি। মীতোপ্তা করিগুম্বা অমত্তা খায়দোক্তবা হায়বদুনি। প্রসিদেন্ট ওইরিবা মনাওনুপা গোতাবয়াসি ময়াম্বা রাজপক্সানা শেন্বীবনি। রাজপক্সাদি শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট ওইবা য়াদ্রে। মমাঙদা টর্ম অনীরক চহী তরা (২০০৫-২০১৫) শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুখ্রে। অহুম্নক শুবা ওইনা থৌ পুবদি য়াদ্রে।



মহিন্দা রাজপক্সা অমদি গোটাবয়া

ফেমিলি পোলিটিক্স করম্না লাকখিবগে হায়বদু য়েংবা য়াই। রাজপক্সানা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা শ্রী লঙ্কা ফ্রীদম পার্টিগী প্রসিদেন্টসু ওইখি। মহাক্না শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট ওইদ্রবা মতুংদা মহাক্কী পার্টি অসিগা ৱাখল তিন্নরক্তবদগী মশাগী ওইবা শ্রী লঙ্কা পোদুজনা পেরামুনা হায়বা পোলিটিকেল পার্টি অমা কুমজা ২০১৯দা শেমখি। মসিগী মহাক্না পার্টি প্রসিদেন্ট ওইরি। হন্দক্তা ইকুই কুইদনা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্ট মীখলদুদা মনাওনুপা গোটাবয়াবু প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইনা পুথোক্লককপনি। করিগুম্বা মখোয় শ্রী লঙ্কা ফ্রীদম পার্টিদা অসুম লৈরম্বা তারবদি গোটাবয়াবু রাজপক্সানা প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইনা পুথোকপা ঙম্লমদবসু য়াই করিনা হায়ববু হায়রিবা পার্টি অসিদি শ্রী লঙ্কাগী য়াম্না লীরবা অচৌবা পার্টি অমনি। মরম অদুনা পার্টি অসিদা য়াম্না লীরবা খঙ-হৈরবা পার্টিগী মেম্বর কয়া লৈবনা গোটাবয়ানা মীরেপ ওইবা ফংলমদবসু য়াই। মসি পূম্নমক রাজপক্সাগী লাল্লোং অমনি। মসিগুম্বা লৌ ময়াম অমা লৈবনা রাজপক্সানা শ্রী লঙ্কা ফ্রীদম পার্টিগী মচেৎ তারক্লগা মশাগী ওইবা পার্টি অমা শেম্বনি। করিগুম্বা প্রসিদেন্ট মীখলদা পুথোক্লিবা মনাওনুপা গোটাবয়ানা মায় পাকপা থোক্লম্লবদি মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা লাল্লোং অসি য়াৎলিবনি। শম্না হায়রবদা মনাওনুপানা প্রসিদেন্ট ওইরগা মহাক্না তুমিন্না অনৌবা শেম্বা পার্টি অদুগী মকোক ওইরগা ফমদুনা লৈগে হায়বদি নত্তে। শ্রী লঙ্কাগী ওইনা লৈরিবা চৎনবী অসিদি প্রসিদেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবা মীশক অদু খনবরা হায়বসিনি। মনাওনুপাবু থাগৎখ্রবনিনা ময়াম্ববু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খন্নবা তৌখিবা লাল্লোংদু চুমখ্রে। মশাগী ওইবা হায়বদি ফেমিলি পোলিটিক্সকী ওইবা পার্টি অমা শেমখিবদু মসিগীদমক্তনি। ফেমিলি পোলিটিক্স হায়বসিনা অচান-মীরাই নাইবগী চাং য়াম্না ৱাংখৎহল্লি। মতিক চাবা মীওই কয়া নমথদুনা থমহৌবগী লন্বী অমা শেল্লকই। মতিক চাদবা মীওই কয়া মফম মতম চাদনা মতিক চাবা মীওই কয়াদগী মাঙ থাদুনা চৎখি। অদুগুম্বা কয়া অদুনা লৈবাক কয়া মাঙদা চৎখৎপা ঙমহন্দে। নীংবা কায়বগী খোল্লাও তাবা ফংলকই। ইমুং-মনুং কয়া নুংঙাই-য়াইফবগী চাং ৱাংখৎলকই অদুগা লায়রবা মীগী মশীংনা অতিয়া পক্না ৱাংখৎলকই। ইনাকখুনবা-লায়রবা অনীগী মরক্তা চাউরবা পল অমা থোনগৎলকপদগী লৈবাক ঈৱাং লৈরকই। ফেমিলি পোলিটিক্স হায়বসি দেমোক্রেসি অমদি দিক্টেটরগী লৈঙাক অনীমক্তা লৈ। অদুবু দিক্টেটরগী লৈঙাক্তনা হেন্না লৈ। ঙসিদি দেমোক্রেসিদসু ফেমিলি পোলিটিক্স তৌবগী চাং য়াম্না ৱাংলে।

মহিন্দা রাজপক্সানা মাগী মনাওনুপা গোটাবয়া রাজপক্সাবু পোলিটিক্সতা খোঙদাহল্লক্তুনা লৈবাক্কী মতোন লোম্বা প্রসিদেন্টকী ফম পুহনখিবগী লন্বী য়াৎপসিনা মখোয়গী ইমুংদা অহানবা ফেমিলি পোলিটিক্স তৌবা অহানবা থৌদোক নত্তে। মখোয়গী মপা-মপু পোলিটিক্সতগী হৌরকপা ঙাক্তনি। বৃটিশকী মখুৎতগী শ্রী লঙ্কাবু মনীং তম্নবা ঈহৌদা শরুক য়াখিবা রাজপক্সাগী ইমুং-মনুংনি। মখোয় অনীগী অপোকপসু মতম অমদা মিনিষ্টর ওইরম্মী। মহিন্দা রাজপক্সাগী ময়াম্বা অহল চমল রাজপক্সা হায়বসিসু শ্রী লঙ্কা পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর ওইরম্মী। মতমদু মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদনি। শশিন্দ্রা রাজপক্সানা উভা প্রোভিন্সকী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্মী। মনাওনুপা বাশিল রাজপক্সাসু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইরম্মী। অতৈ ইমুং-মনুংগী মীওই কয়াসু এম্বেসেদর ওইবা য়াওনা লান্মীগী, নেভিগী অচৌবা ফম্নাইবা কয়া ওইরি। মপাগী মঙালদগী মচিন-মনাও পূম্নমক পোলিটিক্সতা চংবা ঙমখি। মসিসু ফেমিলি পোলিটিক্সকী য়াম্না চাউবা খুদম অমনি। রাজপক্সা শুপ্নতগী লো গ্রেজুয়েট অমনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর, প্রসিদেন্ট, মিনিষ্টর ওইরম্লে। গোটাবয়া রাজপক্সা শ্রী লঙ্কা লান্মীগী ওফিসর অমনি। লেফটিনেন্ট কর্নেল ওইনা থবক্তগী ঙন্না পোথাখি। টামিল লালহৌলূপ এল টি টি ঈগী অকনবা লানফমদা মরুওইবা রেজিমেন্টকী কম্মান্দর ওইরম্মী। রাজপক্সানা মনাওনুপাবু দিফেন্স সেক্রেটরি ওইনা হাপখি। টামিল লালহৌলূপকী লাল অদু লোইশিন্নবা হোৎনবদা হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনখি হায়বগী ৱাথোক লাকখি। মদু য়ুনাইটেদ নেসন্স য়ৌনদুনা অচৌবা ৱার ক্রাইম অমনি হায়দুনা য়ু এননা থিজিন্নবা ৱারেপ লৌখি। মহিন্দা রাজপক্সানা প্রসিদেন্ট অমদি গোটাবয়ানা লান্মীগী কম্মান্দর লইদুনা টামিল লালহৌবশিং লোইশিনখিনবা কন্না হোৎনখিবদু মালেমগী মীয়াম্না উবা ফংনখি। শ্রী লঙ্কাগী লান্মীগী মকোক জেনরেল ফোনসেকানা লালগী অকূপ্পা ৱারোল হায়দোরকপদা গোটাবয়া রাজপক্সানা ওপরেসন তৌরিবা লান্মীশিংদা করিগুম্বা টামিল লালহৌবশিংনা সরেন্দর তৌনবা হোৎনরক্লবদি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎনবা ওর্দর পীখি। মসিনা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইখি অমদি ৱার অদুদা হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনবগী ৱাথোক লৈ হায়বসিনি।

মহিন্দা রাজপক্সানা মচেৎ তাদুনা মশাগী অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি শেম্লিবসি য়ারিবমখৈ পৱারদা লৈরিবমখৈ মশা ঙাকথোকচনবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। টামিল লালহৌবগী লান লোইশিনবদগী থোক্লক্লিবা ৱার ক্রাইমগী কেস ঙসি ফাওবা লোইশিনবা লৈত্রি। কেস অসি য়ু এনগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবনি। পোলিটিক্স হায়বসিদি পৱার পায়নবা হোৎনবনি। মসিদা খুদোংচাবা লৌনবা থবক কয়া পায়খৎলক্কনি। মদুগী মনুংদা মচিন-মনাও অনীগী ৱার ক্রাইমগী কেস অসিসু অমা ওইবা য়াই। ৱার ক্রাইমদা চেন্নরিবা মচিন-মনাও অনীমক্না প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবনিনা মদুদগী ঙাকথোক-ঙাকশিন তৌবদা খুদোং য়াম্না চাবা মশানা তাবনি। লৈবাক্কী ওইবা লৈঙাক্কী ওইবা থবক কয়াগী ৱারেপ লৌবদা প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টরগী চাউরবা থৌদাং য়াম্না লৈ। মহিন্দা রাজপক্সাগী লৈঙাক মতমদা শ্রী লঙ্কাদা শেঞ্জা থুমজাগী কেস কয়া লৈরি। মীফা মীপূনগী ৱাথোক কয়াসু লৈরি। লান্মী শীজিন্নদুনা কু তৌদুনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্নবগী লাল্লোং ফাওবা চথুখি। ●

# হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনহনগদৌরি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

সী এ বিগীবু ওইরো নৎত্রগা নাগা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী মীয়াম্না থাজনরিবা, মণিপুর ষ্টেটকী মনুংদা তোঙানবা টেরিটোরিএল কাউন্সিল অমা শেম্লকপগী ৱাফম্বু ওইরো, হীরমশিংসিগীদমক মণিপুরগী মীয়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ৱারী মুন্না শানদুনা, থৌরাংশিংদুনা মণিপুরদা কায়হন-শোকহল্লক্কদবশিংগী মরমদা নিংথিনা শুগায়না খঙহল্লুবগী মথৌ তাই। ৱাখল ফাওদোক্লরবা মতুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংসু মীনিনা অচুম্বশিংদি শোয়দনমক্কী চুম্মী হায়না অদুম্মক খন্থরক্কদ্রা খল্লুবনি অমসুং খন্থরকফমসু থোকপ্রা নীংলুবনি। মণিপুরগী য়েলহৌমী সিটিজন অমগা দিল্লিগী সিটিজন অমগা খল চপ মান্ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌফম থোকই। ঐখোয়গী সিটিজন অমগী চপ চাবা রাইটকা লোয়ননা মখোয়গা ৱারী শানবনি। ৱাখল অমরোমদা, ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনসু কৈদৌঙৈদা খক অতোপ্পশিংগী মফমদা ঙক নোন্দুনা অমদি মখোয়গী থৌজাল নিজদুনা লৈবাক ঙাকখিবগী তাঙ্কক মণিপুরগী পুৱারীদা থেংনখিদ্রি। ঐখোয়সু অদু মঙাই। ৱাফমসি হায় হায়দুনসু, ঐখোয় অতোপ্পশিংগা হেক্তমক শীংনদুনা খূৎ থোক্লরসি অমদি লান হৌরসি হায়বদি নত্তে। থৌদৌশিংসিগীদমক ঐখোয়না চঙশিনবা য়াবা খোঙজংশিং চংশিল্লি অমসুং হায়নবা য়াবা পূম্নমকসু হায়নরি। ফীভমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ৱাখল শুকহোংমক হোংলক্তদুনা মখোয়গী অপাম্বশিংতবু থবক ওইনা পাঙথোক্লক্লবদি, তঙাইফদনা ঐখোয়সু অতোপ্পা পাম্বৈশিং, কদায়দা করি লৈরিবগে হায়বদু থিদোক্তুনা মায়োক্লবা ঙম্নবা হোৎনবগী মথৌ তারকত্রিবরা? ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর হায়বসি ঐখোয়গীসু শরুক য়াওরিবনি, ঐখোয়গীসু খজিক্তং খনবীফম থোকই।

দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা করিগী অসুম্না লৈবাক্তুগী মনুংদা মচেৎ-মকায় তানহন্নবা অমদি কাঙ-খোঙ চাইহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎফম থোকই? তশেংবদি হীরমসিদা শোয়দনমক্কী ৱাখল তামিন্নদবা এরিয়া খরদি লৈরমগনি। এরিয়াশিংদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা খুবাক নাম্মতা খুবগুম, মায়কৈ অমত্তগী ওইবা ৱা তারগা শন্তাইননবা হোৎনবসু চুল্লোই অমসুং মখোয়না পাম্বতা চৎনহন্নবা খনবসু লানগনি। য়ামদ্রবদা নাকল খুদিংমক্কী ওইবা হিষ্টরিশিং মমুৎ তানা তারবা মতুংদা শন্তাইনবগী থবক পায়খৎপা চুমগনি। নাগা লালহৌবশিংগী ৱাফম তোকখ্রগা, হৌজিকসু মণিপুর ষ্টেটকী বাউন্দরিদা লৈরিবা লমখৈশিংদা ঙাইহাক লৈতনা অতোপ্পা থংনবা লৈবাকশিংনা ঙমখৈ থুগাইদুনা লম হেঞ্জিল্লকপগী থৌদৌশিং চথুরকপা থেংনরি। ইন্টর ষ্টেটকী ওইবা ঙমখৈশিংদা, মণিপুরগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তুংজোই খুলগী ঙমখৈদা নাগালেন্দগী নাগাশিংনা লম হেঞ্জিন্না চঙশিল্লক্তুনা নাগালেন্দগী ওইবা ওফিসশিং অমদি কম্ম্যুনিতি হোলনচিংবা কয়ামরুম শাজিল্লক্তুনা ঙমখৈগী চয়েৎনবা চাউনা থোক্লি। মসিদসু নত্তনা, অতোপ্পা ঙমখৈদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা নাগালেন্দ ষ্টেটকী মীশিংনা লম হেঞ্জিল্লকপগী ৱাথোকশিং, চয়েৎনবশিং মশীং খঙদনা থোক্লি। মীয়ামগী পূক্নিং হুনীংঙাই ওইরবা মণিপুরগী মাও খুলগী ওইনা লৈজবা জুকো ভেল্লিদসু নাগালেন্দ ষ্টেটনা কিলোমিটর ১৫ রোম শাংনা লন্বী কয়লা থাদুনা টুরিষ্ট স্পোট শেমগৎলকপা অমদি জুকো ভেল্লিগী লম মপু ওইজরিবা মাওগী খুঞ্জাশিং চঙলুবদা নাগালেন্দগী কাঙবুশিংনা চঙবা থিংলকপগী অচৌবা ৱাথোক হৌজিকসু চপ চানা লোইশিন্নবা লৈত্রি। মণিপুর ষ্টেটকী বাউন্দরিসু ওইরিবা ম্যান্মারগা তাইনবদা লৈবা ইন্দিয়ন বাউন্দরিগী পিল্লর মখোঙ অনী-অহুমলোমদা ম্যান্মারগী কাঙবুশিংনা ঙাইহাক লৈতনা লম খোপচিন্দুনা যূন্বী মখোঙ হোংজিল্লকপগী ৱাফমশিং ফোং-ফোং শানা চথুরি। পূম্নমকসি করম্না মণিপুর ষ্টেটকী বাউন্দরিশিংদা থোক্লিবনো হায়বসি মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংনি। তশেংনা হায়রগদি, মণিপুর ষ্টেটকী বাউন্দরিগী ফীভমসি ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক অনীমক্না ঙাক-শেনগী থবকশিং লৌখত্তবা অমদি চেকশিন্না শেন্নবীদবদগী থোকপনি। অসুম্না ষ্টেটকী বাউন্দরিগী ৱাথোক কয়ামরুম হৌজিক-হৌজিক ফোং-ফোং শানা থেংনরিঙৈগী চৈরকসিদা অমুক্কসু, ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি নাগালেন্দ ষ্টেটকী লালহৌবা এন এস সী এন (আই-এম) না লুচিংবা কাঙলূপশিংগা শানবা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন্দা মণিপুরগী নাগা তাবা লম মখৈ নাগালেন্দদা পীথোক্লমগদবা শম্নাদা ৱাৎহৌই। লম-মক পীথোকত্রবসু হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুরগী নাগা তাবা লমশিংদা টেরিটোরিএল কাউন্সিল অমা তোঙান্না শেমগনি হায়বগী ৱাফমদা, মণিপুরগী মীয়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা অকনবা মওংদা খোঙজং কয়ামরুম চঙশিল্লি। মণিপুর ষ্টেটকী লমগী ৱাথোকশিং হৌজিকসু তরাইনা লৌবা য়ারোইদবা ঙাক্তা ওইরিবনি। খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীরিবসি, ইন্টর ষ্টেটকী ওইবা ৱাথোকশিংদা অচুম-অরান শন্তাইনদুনা য়ানবা পুবিরক্কদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না আই-এমগী পিছ টোক্কী মতাংদা ৱাতেন্বীবদা য়োংলৈ-মেলৈ নাইবগী থৌওং চথুবগুম উবনা, মণিপুরগী মীয়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাকপু ৱারৌদবা ঙমদ্রি। ফীভমসিদা মণিপুর ষ্টেটকী ঈং-তপ্পগী ফীভমশিং হৌজিক্কী ওইনদি কদাইদনো লৈরমগদৌরিবসি? মসিগী মথক্তা অমুক্কসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না, নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিং পূন্মুৎ-মুৎহনখিবা য়াবা সী এ বি নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনরক্লিবনি। ফীভমশিংসিদা মণিপুরগী মীয়াম্বু কন্ট্রোল তৌরিবা অমদি হীমায় চুম্বীরিবা মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, অসুক্কী মতিক ৱাখল খন্থহৌবগী মথৌশিং তারক্লি।

সী এ বি মণিপুরগী লৈমায়সিদা খোঙদাহনবা য়ারোই, সী এ বিনা মীতোপ-মীয়ানচাশিংবু নোংম-নোংমগী ফম্বা চল্লগা হীপ্পা চলহল্লক্কদবা থৌরাংশিং, ইরমদমসিদা শোয়দনা পুশিল্লক্কনি হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম্না ময়েক য়াম্না শেংনা খঙই। হৌজিক পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক অনীনা ফোরেন্নরশিংবু ইন্দিয়ন সিটিজন ওলহল্লক্কদৌরিবা বিল অসিনা মণিপুরদা মীতোপ চঙশিল্লকপগী ৱাথোক অমা ফাওবা লৈরোই হায়দুনা মখৌ পোঙনা ঙাঙলিবসি করম্বা অঙ্কদা ঙাঙলিবনো হায়বদু মীয়াম্না য়াম্না ঙক্লা থোক্লরি। ৱাফমসি মীনম্বনি হায়বসি অঙ্কনা তাকই। সী এ বিনা অয়াবা পীদুনা ইন্দিয়ান সিটিজন ওলহল্লবা, লাক্ষনা খুজিং ওইগদৌরিবা ফোরেন্নরশিং মণিপুরদা খন্নরিবা অসিগুম্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তসু অমত্তা চঙবা য়াহল্লোই হায়রবদি ইন্দিয়াগী করম্বা মফমদনো ফোরেন্নরশিংদু চঙহনগদৌরিসি? অতোপ্পা ৱাফম অমনা, ইন্দিয়া লৈঙাক্না হায়রিবা ফোরেন্নরশিংসি ইন্দিয়াগী মফম অমদা হেক্তা চহী তরুক শুনবু লৈখ্রবদি ইন্দিয়াগী মীনি, ইন্দিয়ন সিটিজননি হায়না অয়াবা পীবদা কায়দ্রে হায়বা ৱাফমসু থল্লি। মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না হায়রিবা ফোরেন্নরশিংসি চহী তরুক কদায়দা লৈহল্লগা ইন্দিয়ন সিটিজন ওলহনগদৌরিবনো অমসুং ওলহল্লবা মতুংদনা করম-করম্বা ষ্টেটশিংদা চঙহল্লক্কদৌরিবনো? মণিপুরদদি মণিপুর লৈঙাক্না ফোরেন্নরশিংদু অমত্তা চঙলক্লোই হায়বা ৱাফম মাঙজৌননা য়াম্না ময়েক শেংনা থন্বীখ্রে। ফীভমসিদা মণিপুর লৈঙাক্না ফোরেন্নরশিংদু ইন্দিয়ান সিটিজন ওল্লগসু মণিপুরদদি অমত্তা চঙলক্লোই হায়রিবা ৱাফমসি কদাই ফাওবা চুমগদৌরিবনো হায়বসি খনবদা মম্মী। পূম্নমক্তগী হেন্না লুরিবা ইরমদমগী ৱাফম অমনা, ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদা মীতোপ চঙলকপা থিংনবা আই এল পি (ইন্নর লাইন পার্মিট) সিষ্টেম চৎননবগী অয়াবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবদা পীবিদ্রিবসিনি। থৌদৌশিংসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না মণিপুরদা সী এ বি চৎনহনবা মতৌ করম্না য়ানীংগদৌরিবনো? ফীভমসিদা মণিপুর লৈঙাক্না, ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়াম্না কন্না চৎনহন্নবা হোৎনরিবা সী এ বিবু মণিপুরগী মীয়ামদা করিসু কায়হল্লোইদবা ইচম-চম্বা বিল মখল অমগুম উহন্নবা হোৎনবীরিবসি মায় পাক্কদবা মান্দে, অমুক্তংগা মুন্না খন্থহন্নীংই। অদুম ওইনমক, নহান দিসেম্বর ৩গী নুমিদাংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং অমদি সিভিল সোসাইটিশিংগী মীহুৎ (ষ্টেকহোলদর) শিংগা পূন্না সী এম বিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর অমিট শহাগা উনমিন্নখি। উনবদুদা হোম মিনিষ্টরনা হায়রকখিবা ৱাফম অমদি লৈরি। ৱাফমদুদি - "সী এ বিদা মণিপুর ষ্টেটখক্কী ওইনা মীতোপশিং চঙশিল্লক্তুনা অকায়বা পীহন্দনবা তোঙানবা মেকানিজম অমা হাপকনি' হায়বা ৱাফমসিনি। চৈরকসিদা, ইন্দিয়াগী বি জে পি লৈঙাক্না শোয়দনমক্কী চৎনহনবা পাল্লিবা সী এ বি য়ুনিয়ন কেবিনেটনা পাস তৌখ্রে, পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সী এ বি লাউথোক্তুনা চৎনহন্দ্রিবনিনা ৱাফমসি কদাই ফাওবা চুমগদৌরিবনো হায়বসি কনামত্তনা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকদৌরিবা সী এ বিগী ৱারোলশিংদা করি অহোংবা ৱাফমশিং য়াওরবগে হায়বদু য়েংথোক্লবা হোৎনবগী মথৌ অসুক্কী মতিক তারি। মায়কৈ খুদিংমক্তা য়েংবদা, মণিপুরগী মীয়াম্না হৌজিক খোঙজং হন্থবা য়াবগী ফীভম অমা ফাওবা উবা ফংদ্রি।

সী এ বিনা, ইন্দিয়াগী মপানগী মীতোপশিং চঙশিলহল্লক্তুনা ইন্দিয়ান সিটিজন ওল্লবা মতুংদা, অয়াম্বা শরুক ওইনা খুন্দা-লৈতাশিল্লগা লৈরক্কনি হায়না পানরিবা মফমসি য়াম্না মরুওইনা, ইন্দিয়াগী নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেট তরেৎমকসিদনি। মসিগী চুশিন্নবা মরমশিং কয়ামুক লৈখ্রে। ফীভমসিদা সী এ বিগী মায়োক্তা চঙশিনবা, নোর্থ -ইষ্ট ষ্টেট তরেৎমকসিগী মীয়ামগী অপূনবা য়ানীংদবগী খোঙজংশিং করম্না হনগদৌরি? হনবগী মহুত্তা খোঙজংশিং তঙাইফদনা, হেন্না লূম্না অমসুং মতিং লৈনা চঙশিনবগী মথৌশিং অমুক্কসু হেন্না তারক্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।